
# স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগৎপদা হেন্না খোঙজেল য়াঙশিন্নবা কৌক্রুক তাবা লম্বীশিং অথুবা মতমদা শেমজিনবীয়ু

(ঙরাংগী মখা)

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে, হৌজিক্তী মথং চহী হৌরকপা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারি থাদগী নেসনল বিল্ডিং কনষ্ট্রক্সন কোওপরেসন লিমিটেদ (এন বি সি সি)না শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং পায়রগনি হায়বা ৱাফমসু লৈরে। লুপা ক্রোর মরিরোম থাদদুনা শানবগীদমক (চহী অহুমলোমগী মনুংদা) এম ও য়ুনচিংবসু খুৎয়েক পীনখ্রে। থবকশিং অসি পুকচেল শেংনা, কাংলোন চুম্না চথবিরগদি চহী অহুমগী মনুংদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী অশেংবা মশক অমদি লমদমসিদা লাক্লগনি খল্লি।

অমরোমদা, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শাগৎলকপা মতমদা মখল-মখা কয়াগী পোৎ-চৈশিং মশিং খঙদনা হোনজিল্লক্কনি। মসিগীদমক মরু ওইনা শীজিন্নবা য়ারিবা লম্বীসি অনীনি। উরিপোক-কাংচুপ-তমেংলোং হায়দুনা লৈরিবা অসি হায়রে ওইনা হৌজিক শকখঙদুনা লৈরবা (হায়ৱেগী নম্বরদি পীদ্রিবা) কদাঙবন্দ লমখায়দগী চঙবা অসিমা, অদুগা ফুমলৌরোমদগী চঙবা অমা, অনীসিনি। লম্বেল অনীসি নেসনল হায়ৱেদগী কৌক্রুক দাইরেক্ট তাবা য়াবা ঙাক্তনি। হায়রিবা লম্বী অনী অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা নীংথিনা শেমজিনবীবা য়ারে। অদু ওইরবদি স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মরু ওইবা মফমশিং মথং মথং শাগৎলকপদা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙমগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওইনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিংগী মনুংদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগদৌরিবা মফমদা ষ্টেটকী ফোর্স অমা থম্বীদুনা ঙাক-শেলহনবা হায়বসিমসু হেন্না মরু ওইবা থবক ওইগনি খঞ্জে। হায়রিবা মফমশিং অসিদা ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থম্বীদুনা হৌজিক্তগী হৌনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীবা তঙাইফদ্রে। নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা ষ্টেটসিদা থম্ননবগী অয়াবা পীরকখিবসি ঐখোয় খুদিংমক্কসু লুম্না লৌফম থোকই। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা শানিংলবসু ঙসিফাওবা মঙফাওনবা ঙমদনা লৈরিবনি। মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেট অমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা,




স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি থম্ননবগীদমক থৌনা ফনা লাউথোকখিবসি লমদম অসিবু ময়েক শেংনা শকখঙবীবগীনি। ঙসি ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা মালেমগী অচৌবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা মখলগী লেমজ নিংঙাই ওইরবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি অথুবা মতমদা উবা ফংননবা ঐখোয় খুদিংমক্কসু অঙম-অঙম্বা মতেং পাঙশিনবগী মীরোলগী খল্লগা ফ্রিদা পীগনি হায়না লেপ্লি। হৌজিক মফমদুগী খুঞ্জাশিংনা পাল্লিবসিসু অথুবা মতমদা মায়কৈ অদোমদা 'স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি'গী অশেংবা মশক অমা উহনবদুনি।

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা মীৎয়েং অমা**

শান্নবুঙশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎশিন্দুনা লৈবাকসিগী মীঙচৎ কয়া তত্তনা পুরক্লিবসি মখোয়নসু হেন্না খঙবা তঙাইফদবা লৈ। য়েঙশিনবা য়াবা কয়াসু মতাং মতম চানা য়েঙশিনবা চুমগনি হায়নিংই।

তশেংনা, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগদৌরিবা কৌক্রুক অমদি সেঞ্জম খুন্নৌগী মফম অসি নেসনল হায়ৱে অনীগী মরক্তা লৈবা ওইবনা করিগুম্বা থবক থৌরম অমা চথরকপদসু হেন্না খুদোংচাবা ওইগনি। অদুগা ইম্ফাল সিটিদগীসু কি মি ১৮ লোমতনি লাপ্লরিবসি। ঈশিং-নুংশিৎকী মতাংদসু নেমতক তৌবা চিংয়াগী ফজবা মফম অমা ওইবনা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা থবক পুম্নমক নুংঙাইনা চথবা য়াগনি। অসিদসু নত্তনা, মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগীনি হায়রবদি হেক মথৌ তাবা লম পুম্নমক অখাকপা থমদনা তুংগী

অদুগা, হৌজিক্তী নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী অহানবা ভি সি ওইনা আর সি মিত্রা (রিটয়র্দ আই এ এস) খনখ্রে। মরম অদুনা এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতাংদসু মরী লৈনবা থৌ পুগদবা অৱাৎপা মীওইশিং হাপ্পীদুনা থবক চুম্না তৌবা য়ারগনি। অশেংবা ভি সি য়ৌরক্লবনিনা দিন ওফ স্কুল, রেজিষ্ট্রার, ফাইনান্সিএল ওফিসার, কন্ত্রোল্লর ওফ এগজামিনসেন মথং মতং হাপচিনবদসু খুদোং চারগনি। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসনগী বিল্ডিংদা হৌদোরকখিবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ক্লাসশিংসু হৌজিক্তী সেমিষ্টর অহুম লোইখ্রে। মখা তারকপা অসিদি অশেংবা ভি সিগী মখাদা থবক থৌরমশিং সিষ্টেমেটিক ওইনা চথনবা হোৎনবা চুপ্লে।

(লোইরবা)



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৭

১) হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা জিয়ুশিংবু ওৎ নৈখিবদা নত্তনা মখোয় কয়ামুকসু হাৎখি। মরম অদুনা জিয়ু শান্নরোয় অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখি। কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা জর্মনিনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা জিয়ু শান্নরোয় অদু অমুক হন্না কৌদুনা (মহাক হল্লক্তুনা) ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং করিনো?

২) ওলিম্পিক গেমসকী টিমগী থৌরম অমদা লৈবাক অমনা কুমজা ১৯২০দগী কুমজা ১৯৫২ ফাওবগী মনুংদা মেচ ৩৭ লক মায় পাকখি, ৩ লক পোখি। লৈবাক অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) অহানবা পান অমেরিকান (Pan American) গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৩৮৮গী মমাংদা ওলিম্পিয়া (OLYMPIA)দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদা তিল্লিবা গ্রিস মীয়াম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা তাহনখিবা গ্রিসকী ৱাঙাংলোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শান্নরোয়শিং খনবদা মীচং মীখাই নাইবা লৈতে, অফবশিং থাগৎপনি ঃ স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজু

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি রাজ্য সভাদা থমখিবা ৱাফমদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিংনা ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসন শরুক য়ানবগীদমক চথবা সেলেক্সনগী থবক থৌরমশিং অদু মীচং-মীখাই নাইবা লৈতে। অফবা শান্নরোয়শিং খন্দুনা য়াম্না শেংনা মনুং মপান লৈতনবা থবক পায়খৎলি হায়খ্রে।



ঙসি লোক সভাগী ক্বেসন অৱারদা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মীরমদা মালেমগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা শরুকয়ানবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী হায়রিবা দিসিপ্লিনগী ওইনা সেলেক্সন পাঙথোকপগী খোঙথাংদা মীচং মীখাই নাইবগী থৌওং লৈতে। অফবা শান্নরোয়শিং অদুবু খনগৎলগা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্নবগীদমক পায়খৎপা থবক থৌরাং ঙাক্তনি হায়খি।

য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অমদি ষ্টেটশিংদা লৈরিবা এসোসিএসনশিংনা অফবা শান্নরোয় খনবগী থবক থৌরমশিংদা চয়েৎনবা অমদি য়ানিংদবা লৈবা মতমদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা অকুপ্পা মরোলশিং পীবিয়ু হায়না মাংজৌননা ফোঙদোকপা লৈখ্রে হায়না মিনিষ্টর রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাগী ক্বেসন অৱার অদুদা মখা তারদুনা রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা চহীগী ওইবা শান্নবগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী পীরকপা দিপোর্টকী মতুং ইন্না ট্রেনিং অমসুং কম্পিটিসনগী মতম শেমদোক্তুনা লৈরি। হায়রিবা মতমশিং অদুদা ফেদরেসনশিং অদুনা এসোসিএসনশিংগী মতেংগা লোয়ননা কম্পিটিসন পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

# মৈরাবা লুৱাং সিঙ্গাপোর য়ুথ ইন্টর্নেসনল সেরিজগী নুপাগী সিঙ্গলস বেদমিন্টনদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

সিঙ্গাপোর সিটি, নবেম্বর ২১(এজেন্সী):

চৎলিবা থা অসিগী ১৮দগী হৌরকখিবা সিঙ্গাপোর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী মখাদা পাঙথোকপা সিঙ্গাপোর য়ুথ বেদমিন্টন সেরিজ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মণিপুরদগী হৌখিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা নুপাগী সিঙ্গলসক কাংলুপকী ওইনা নম্বর ১ সিদেদ ওইখিবা মণিপুরদগী হৌখিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় মাদে দেকো সেতিয়াবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা গেম ২-০দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মৈরবা লুৱাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা সিঙ্গাপোরগী



শান্নরোয় ইন্দ্রা সেতিয়ান ৱিজয়াবু ২১-১২, ২১-১৬দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা ইদিথিয়া মিকোলাবু ২১-১৮, ২১-১২তা থোইরম্বা মাদে দেকো সেতিয়াবু মৈরাবা লুৱাংনা ২১-১৯, ২২-২০দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হয়েং শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মৈরাবা লুৱাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় থাইলেন্দগী সুরাসিত অরিয়াবরানিকুলবু ২১-১৬, ২১-২৩, ২১-১৮দা থোইখিবা চাইনিজ টাইপৈকী সু সে য়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী ইন্দিয়াগী অদিতি ভাত ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় ক্রিতাপোন জিয়ানতানেটপু অকনবা লম্বা অমদা ৭-২১, ২২-২০, ২১-১৫দা থোইখি।

অদিতিনা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক হয়েং শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মলেসিয়াগী জিং য়ি তানবু ২২-২০, ২১-১৮দা থোইখিবী হোং কোংগী লু লোকका থেংনরগনি।

# কোরি মাষ্টর্সতা স্রিকান্ত মায়থীহৌরে

গ্বাংজু, নবেম্বর ২১(এজেন্সী):

সাউথ কোরিয়াগী সিটি গ্বাংজুদা পাঙথোকপা কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় কিদম্বি স্রিকান্ত মায়থীহৌবদগী টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা সিদেদ ওইরিবা কিদম্বী স্রিকান্তনা ঙসি অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কন্তা সুনেয়ামাগী মখুৎতা ১৪-২১, ১৯-২১দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ২০ সমির বর্ম্মা য়াম্না থাজদবা মেচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ১১২ পোজিসনদা লৈরিবা কিম দোনগুননা শুপ্নগী মিনট ৩৯দা ২১-১৯, ২১-১২তা মায়থীবা পীখি।

কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বা অদু টুর্নামেন্ট হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ৱিদ্রো তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় স্রিকান্ত অমসুং সমির নত্তনা অতোপ্পা কাংলুপ্তা শরুক য়াখিদবদগী ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখি।

# ইন্দিয়াগী শুটর বাকর বরারিবন অমসুং পনৱরনা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ শুটিংদা গোল্ড ফংখ্রে

পুতিয়ান, নবেম্বর ২১(এজেন্সী):

চাইনাগী সিটি পুতিয়ানদা লৈবা চাইনিজ শুটিং এন্দ আর্চরি এদমিনিষ্ট্রেসন সেন্টরদা পাঙথোক্লিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শুটর অহুম মনু বাকর, ইলাভেনিল বালারিবন অমসুং দিবিয়ান্স পনৱর গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মনু বাকরনা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগাইবা ঙমদুনা পোইন্ট ২৪৪.৭ ফংলগা গোল্ড মেদল ফংখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৩দা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী শুটর হিনা সিধুনা ফংখিবা গোল্ড মেদল অদুগী মতুংদা অনীশুবা ওইরি।

দিবিয়ান্স পনৱরনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা হঙ্গেরিগী শুটর পেনি ইষ্টভানবু ফাইনেল রাউন্দদা শুপ্নগী পোইন্ট ০.১ হেল্লগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টনা ইন্দিয়াগী শুটর ইলাভেনিল বালারিবননা পোইন্ট ২৫০.৮ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা চাইনিজ টাইপৈগী শুটর লিন য়িং সিনবু পোইন্ট ০.১ হেল্লগা গোল্ড ফংখি। ইভেন্ট অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা রোমানিয়াগী শুটর লোরা জিওর্গেটা রোমাননা ফংখি।

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION**
**MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 21st November, 2019

No. AC/40/77-(Vol-III)/1556 It is hereby informed to all the Heads of the Institutions/Schools recognised by the Board having Class X students who are to appear in the coming H.S.L.C. Examination, 2020 that the Board is introducing a new answer khata for different subjects from the ensuing H.S.L.C. Examination, 2020. The Sample of the new answer khatas for different subjects are available in the office of the Board and they may be collected from the Examination section of the Board w.e.f. 25-11-2019 to 10-12-2019.

This initiative of providing "sample answer khatas" is taken up by the Board to sensitize the student about the alteration made in the answer khatas for the H.S.L.C. Examination, 2020.

An additional sum of Rs. 100/- (Rupees one hundred only) is to be paid by the School concerned for one set of answer khata at the time of payment of annual recognition fee to the Board.

Sd/- K. Tiken Singh
Controller of Examinations

HL-B/5815/22

